# ৱেথলিফটরশিংনা স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুদা ত্রেন্নিং মখা চথবা য়াহনবীনবা হায়জখ্রে



ন্যু দিল্লি, মে ১১ (এজেন্সি)ঃ

হান্নগী ৱাল্ড চেম্পিয়ন মিরাবাই চনু য়াওনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মকোক থোংবা ৱেথলিফটর শান্নরোইশিংনা স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুদা ত্রেন্নিং মখা চথবা য়াহনবীনবা হায়জখ্রে। হৌখিবা মার্চ থাগী ময়াই থংবা শরুক্তগী কোভিদ–১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিববা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া ( সাই)গী সেন্টরশিংদা ত্রেন্নিং সেসন লেপ্তুনা লাক্লি।

মিনিষ্টর রিজিজুনা হৌজিক হৌজিক পাটিয়ালাদা লৈবা নেস্নেল ইন্সটিট্যুদ ওফ স্পোর্টস ( এন আই এস)তা লৈরিবা ৱেথলিফটরশিংগা ভিদিও কনফরেন্সকী খুৎথাংদা ত্রেন্নিং মখা চত্থনবগী মতাংদা শান্নরোইশিং অসিদগী ফিটবেক তৌখি।

হিরম অসিগী মতাংদা মিরাইবাই চনুনা হায়, ঐখোয়না মিনিষ্টরদা য়ারিবমখে অথুবা মতমদা ত্রেন্নিং সেসন মখা চত্থবা য়াহনবা হায়জখ্রে। মরমদি ঐখোয়না ৱেট ত্রেন্নিং অসি য়াম্নমক মরুওই। ঐখোয়না মফম অসিদা ফিট ওইনা লৈনবা থবক কয়া তৌরবসু ৱেট ত্রেন্নিং অসি ৱেথলিফটরশিংগী ওইনদি য়াম্নমক মথৌ তাবা ত্রেন্নিং অমনি হায়খি।

নেস্নেল কোচ বিজে শর্ম্মনা মিরাবাইগী ৱাফম অদু শৌগৎলদুনা হায়, পাটিয়ালাদা লৈরিবা ৱেথলিফটিংগী ত্রেন্নিং হো অসি কয়া হেন্না পাক চাউবনা সোসিয়েল দিসটেন্সিংগী চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎপা ঙমগনি। থা ২ হেন্না ত্রেন্নিং লেপ্তুনা লাক্লি। কেম্পস অসি সিল্ড তৌখিবনা মীওই অমত্তা চঙথোক চঙশিন তৌবা য়াদনা লৈবা মরমনা ঐখোয়না মফম অসিদা ত্রেন্নিং মখা চত্থবগা য়াগনি খল্লি।

ঐখোয়গী লৈরিবা ত্রেন্নিং হোল অসি কা হেন্না পাকচাউবনা ৱেথলিফটর খুদিংমক্কী ওইনা মিটর ৫ গী দিসদেন্স মেন্টেন তৌবা লায়না ঙমগনি। মফম অসিদা প্লেটফোম ১৬ লৈরি। অমসুং ৱেথলিফটর ৯ খক মফম অসিদা লৈরি মরম অসিনা ত্রেন্নিং চত্থবা মতমদা লায়না সোসিয়েল দিসটেন্সিংগী চৎনা কাঙলোনশিং লায়না ঙাকপা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা হায়, ৱেথলিফটরশিংনা থম্লক্লিবা ৱাফমশিং অসি কূপ্না খৎন্নরবা মতুংদা ত্রেন্নিংগীদমক শেমগদৌরিবা ষ্টেন্দরদ ওপরেটিং প্রোসিদিয়রদা শীজিন্নবা হোৎনগনি। লাক্কদৌরিবা ওলেম্পিক ইভেন্টগীদমক ঐখোয়গী ৱেথলিফটরশিংনা এক্টিভ ত্রেন্নিংদা হলকপা মথৌ তায় হায়বা ঐহাক খঙই।

এঠলেটশিং অমসুং চীফ কোচতগী ঙসি লৌরিবা ফিটবেকশিং অসিনা ৱেথলিফটিংগী এস ও পি ড্রাফ তৌবদা শীজিন্নগনি। ঐখোয়না এঠলেটশিংবু ত্রেন্নিং হৌবা পাম্লি। অদুমকপু হেলঠকী রিক্স লৈরগা চত্থবদি পামদে। ত্রেন্নিং চত্থনবগী চপ চাবা ৱারেপ লৌদ্রিঙৈদা মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাং খুদিংমক লৌখৎপা মথৌ তায় হায়না মীটিং লোয়রবা মতুংদা মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

পাঙথোকখিবা ভিদিও কনফরেন্স অদুদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই)গী ডাইরেক্টর জেনরেল দন্দিপ প্রধান, স্পোর্টস এন্দ য়ুঠ এফিয়স সেক্রেটরী রাবি মিটাল, ট্রাগেট ওলেম্পিক পোদিয়ম স্কিম ( টি ও পি এস)গী ওফিসিয়েলশিং অমদি ইন্দিয়ান ৱেথলিফটিং ফেদরেসনগী মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

মিরাবাইনা হায়, মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোক্লম্বদা চায়োল অসিগী মনুংদা নৎত্রগা মে ১৭ কী মমাঙদা লৈখায় তাবা ৱারেপ অমদি লৌরগনি হায়খি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা পাটিয়ালাগী নেস্নেল ইন্সটিট্যুদ ওফ স্পোর্টস ( এন আই এস )কী কেম্পতা হান্নগী ৱাল্ড চেম্পিয়ন মিরাবাই চনু, য়ুঠ ওলেম্পিক গোল্ড মেদলিষ্ট জেরিমি লালরিনুঙা অমসুং কর্ম্মনৱেথ চেম্পিয়ন ২ রক ওইখ্রবা সাটিশ সিবা লিঙম য়াওনা পূন্না ৱেথলিফটর ৯ লৈরি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা সাইনা মেম্বর ৬ না শাবা কম্মিটি অমা শেমদুনা নেস্নেল ৱাইদ লোকদাউন হেক লোয়বগা সাইগী সেন্টর খুদিংমক্তা স্পোর্টস দিসিপ্লিন পূম্নমক্কী ত্রেন্নিং মখা চত্থনবা কম্মিটি শেমখ্রবনি।

ৱেথলিফটরশিংদগী হেন্দাক্লগা মিনিষ্টর রিজিজুনা ত্রেক এন্দ ফিল্ডগী এঠলেটশিং অমসুং ইন্দিয়ান মেন’স অমদি ৱুমেন’স হোক্কি টিমদসু ত্রেন্নিং মখা চত্থনবগী মতাংদা খৎন্না নৈনগনি হায়রি।

# সিজন হৌদ্রিঙৈ মাঙওইন্না জর্ম্মনগী বুন্দেসলিগাগী টিমশিংনা মেম্বর খুদিংমক আইসোলেসনদা থমখ্রে

বার্লিন , মে ১১ (এজেন্সি)ঃ

জর্ম্মনগী সোক্কর টিমশিংনা নুমিৎ ৭ নি কোরিন্টিন তৌবা লোয়খ্রবা মতুংদা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী আইসোলেসনগীদমক অমুক চায়োল ১গী মতম হৌদুনা বুন্দেস লিগা জিসনবু মপুং ফানা মখা চত্থনবগী থৌরাং পায়খৎখ্রে।

জর্ম্মন ফুটবোল লীগনা হৌখিবা চায়োলদা ফার্ষ্ট অমসুং সেকেন্দ দিভিজন টিমশিংবু থা ২ হেন্না সস্পেন্সন লৈরুরবা লীগ অসি মে ১৬ তগী হৌরনবা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। লোয়ননা লীগ অসিনা য়ুরোপকী মকোক থোংবা লীগ ৫ গী মনুংদা অহানবা সিজন মখা চত্থগদবা য়ুরোপিয়ান লীগ ওইগদৌরি।

বুন্দেসলিগাগী টিমশিংনা কোভিদ–১৯ টেষ্টিং তৌবা লোয়রবা মতুংদা সিজন মখা চত্থবদা অহাঙবা ষ্টেদিয়মদা শান্নদ্রিঙৈ মমাঙওইন্না মরীলৈন্নবা ষ্টাফ অমসুং ওফিসিয়েলশিংবু কোভিদ–১৯দগী ঙাকথোক্লুবগীদমক মেদেটোরি ওইনা নুমিৎ ৭নিগী আইসোলেসন অসি তৌগনি। দিফেন্দিং চেম্পির্য়ন বর্য়ান মুনিক য়াওনা বোরুসিয়া দের্টমুন অমসুং ভি এফ এল ৱোফসব্রগ য়াওনা অতোপ্পা ক্লবশিংনা টিমশিংগী ত্রেন্নিং মফম অদু তানা চৎন্নবদা মতম মাঙহন্দনবগীদমক মনাক নকপা সিটিশিংগী হোটেলশিং খনখ্রে।

সাওলকে জিরো ফোর অমসুং বোরুসিয়া মোনচেঙলাদবাচনা মখোয় মখোয়গী ষ্টেদিয়মশিংবু হৌটেল ওইনা শীজিন্নরি অদুগা বায়র লিভরপুসন অমসুং য়ুনিয়ন বার্লিনদি লৈবাক অদুগী আইসোলেটেদ ওইরবা হৌটেলদা চৎখ্রে অদুগা লীগকী মমৈদা লৈরিবা পাদরবোন্দদি থার্মেল স্প্রিংপাউনগী অনকপদা চায়োল ১গী আইসোলেসন মতম অদু মফম অদুদা লৈগদৌরি।

শান্নরোই অমসুং ষ্টাফশিংনা হৌটেলদগী থোরকপা মতমদা মাক্স শীজিন্নে লোয়ননা টিমগী লন্স অমসুং দিন্নর তৌবা মতমদা দিসটেন্স লৈরি লোয়ননা শান্নরোইশিংনা কা অমমমদা অতোপ্পা মীওইশিংগা শোক্না শম্নদনবা হোৎন্নরি।

বুন্দেসলিগা লীগ মখা চত্থনবগী প্লান অসি হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা সেকেন্দ টায়র টিম ওইরিবা ডাইনামো দ্রেসদেনগী টিম মেম্বর খুদিংমক মীওই ২ পোজিটিভ ওইখিবনা চায়োল ২গী কোরিন্টিন তৌখিবদা শাফু অমা পীখি।

লীগ অসি মে ১৬ তগী মখা চত্থনবগী পান্দম থম্লগা জুন ৩০ দা লোয়শিন্নবগী পান্দম থম্লি লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা গ্রীন লাইট পীরক্লবা হোৎনবদা লীগ অসিবু শীনল্লি লাঙলিবশিংনা ত্রেন্নিং অমসুং মেটচ চত্থরিঙৈদা চৎনগদবা চৎনা কাঙলোনশিং ফোঙখিবা লৈরে।

অদুবু কোভিদ–১৯ লাইচৎ অসি জর্ম্মনা লাকশিনলবসু হৌজিক ফাওবা লাইচৎ অসিনা মীওই ১৭০,০০০ শোকহনখিবগা লোয়ননা মীওই ৭,৪০০গী পূন্সি মাঙহনখ্রে। অমদি জর্ম্মন ফুটবোল লীগনা টিম মেম্বরশিংগী মরক্তা পোজিটিভ কেস ওইবা হেক লাকপা মতমদা লীগ অসি মপুং ফানা লোয়শিনবদা অপনবা ওইবতা নৎতনা ক্লব খরাদা শেন থুমগী অৱাবা মায়োক্লগনি হায়না মীপায়বা পোক্লি।

নীংশিংবা য়াই মদুদি বন্দস লীগাগী ২৫ শুবা রাউন্দ লোয়খিবা ফাওবদা বায়ন মুনির্কনা পোইন্ট ৫৫ ফঙদুনা অহানবা, বরুসিয়া দোর্টমুননা পোইন্ট ৫১ ফঙদুনা অনীশুবা, আর বি লেটজিগনা পোইন্ট ৫০ ফঙদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈদুনা টাইতলগী লমজেল তান্নরি অদুগা বোরুসিয়া মোনচেংলাদ বেচনা পোইন্ট ৪৯ ফঙদুনা মরিশুবা, বায়র দিবরহুসেননা পোইন্ট ৪৭ ফঙদুনা মঙশুবা, এফ সি সলকেনা পোইন্ট ৩৭ ফঙদুনা তরুকশুবা, ৱল্ফবকগনা পোহেন্ট ৩৬ ফঙদুনা তরেৎশুবা, এস সি ফ্রেবক্টনা পোইন্ট ৩৬ ফঙদুনা নিপালশুবা, হোফেনহায়ননা পোইন্ট ৩৫ ফঙদুনা মপলশুবা, এফ সি কোলোগনিনা পোইন্ট ৩২ ফঙদুনা তরাশুবা মফমদা লৈরি।

অদুগা এফ সি য়ুনিয়ন বার্লিননা পোইন্ট ৩০ ফঙদুনা তরামথোইশুবা, ফ্রাঙ্কফুটনা পোইন্ট ২৮ ফঙদুনা তরানিথোইশুবা, হর্থা বার্লিননা পোইন্ট ২৮ ফঙদুনা তরাহুমদোইশুবা, এফ সি অক্সব্রগনা পোইন্ট ২৭ ফঙদুনা তরামরিশুবা, এফ সি মেন্সনা পোইন্ট ২৬ ফঙদুনা তরামঙশশুবা, ফোর্টুনা দুসেল দ্রোফনা পোইন্ট ২২ ফঙদুনা ১৬ শুবা, ৱাদর ব্রমন্টনা পোইন্ট ১৮ ফঙদুনা ১৭ শুবা অমদি এফ সি পাদরবোননা পোইন্ট ১৬ ফঙদুনা লীগকী ১৮ শুবা মফমদা লৈরি।

# সনিয়া মিরজানা ফেদ কপ হার্ট এৱার্দ ফঙখ্রে, ফঙখিবা শেনফমশিং সি এম রিলিফ ফন্দদা দোনেট তৌখ্রে




ন্যু দিল্লি, মে ১১ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়াগী টেন্নিস ষ্টার সনিয়া মিরজাবু নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফেদ কপ হার্ট এৱার্দকী মীংথোল ফঙখিবগা লোয়ননা সনিয়ানা মনা অসি লৌবা অহানবা ইন্দিয়ান শান্নরোই ওইখ্রে। চহী ৪গী মতুংদা হন্দক্তা সনিয়া ফেদ কপতা হলক্তুনা মহাক্না ইন্দিয়বু অহানবা ওইনা প্লে ওফ ফাওবা ক্বালিফাইদ ওইনবা হোৎনবদা মতেং পাঙখি। সনিয়ানা এসিয়ান/ওসিনিয়ান জোনগী ওইনা এৱার্দ অসি রিজনেল ৩ লৈবা গ্রুপ–আই নোমিনিগী পূন্না ভোট মশীং ১৬,৯৮৫ থাদনখিবদা লিশিং ১০ হেনা ফঙদুনা মনা অসি লৌবা ঙমখিবনি। এসিয়ান/ওসিনিয়ানগীদমক সনিয়া ইন্দোনেসিয়াগী প্রিস্কা মেদিলিন নুগোরহোগাগা লোয়ননা নোমিনেট তৌখিবনি।

দি ফেদ কপ হার্ট এৱার্দকী ৱিন্নরশিং অসি হৌখিবা মে ১ দগী মে ৮ ফাওবা ভাবোকশিংনা ওনলাইনগী খুৎথাংদা ভোটিং তৌদুনা লেপখি। সনিয়ানা অপূনবা ভোট অদুদগী চাদা ৬০ হেন্না ফঙদুনা ফেদ কপ কম্পিটিসনদা ইন্দিয়ান ষ্টার অসিনা মালেমগী পূক্নিং চিঙশিনখি। ওল ইন্দিয়া টেন্নিস এসোসিয়েসন (এ আই টি এ)গী খুৎথাংদা সনিয়ানা হিরম অসিগী মতাংদা হায়, অহানবা ইন্দিয়ান অমা ওইনা ফেদ কপ এৱার্দ ফঙবা অসিদা চাউথোকচবা পোকই। ঐহাক্না এৱার্দ অসি লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্তা অমদি ঐঙোন্দা ভোটিং তৌবিরকখিবা মীওইশিংদা দেদিকেট তৌরি। লোয়ননা মতুং তারকপদসু ঐহাক্না ঐগী লৈবাক্কীদমক হেন্না মিংচৎ পুরকপা ঙম্বা ওইজগে হায়না চহী ৪ গী মতুংদা ফেদ কপতা অমুক হলক্তুনা পূৱারীদা অহানবা ওইনা ইন্দিয়াবু প্লে ওফ ফাওবা ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমহনখিবী সনিয়ানা ফোঙদোকখি।

ইং ২০১৮ গী ওক্টোবর থাদা মহাক্কী মচানুপা ইজান পোক্লবা মতুংদা সনিয়ানা চহী অসিগী জনুৱারী থাদা কোর্টতা অমুক হলক্তুনা হোবার্ট ইন্টরনেস্নেলদা নাদিয়া কিচিনোক্কা জুরা শেমদুনা ৱুমেন’স দবলসকী টাইতলসু লৌবা ঙমখি।

হান্নগী দবলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান অমসুং গ্রান্দ স্লামগী চেম্পিয়ন ৬ রক ওইখ্রবী সনিয়ানা এসিয়ান/ওসিনিয়ানগীদমক চহী ১৬ তা ঙাইরিবী ইন্দোনেসিয়াগী প্রিস্কা মেদিলিন নুগোরহোগাবু মায়থিবা পীখিবনি।

ফেদ কপ হার্ট এৱার্দ অসিগী কেটাগোরি খুদিংমক্কী ৱিন্নর খুদিংমক্না য়ু এস দোল্লর ২০০০গী মনা ফঙখি। অদুমকপু মশাগী চহী ৩৩ শুরবি হায়দ্রবাদ মচা অসিনা মহাক্কী শেনফম অদু চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদা কোজিদ–১৯ লান্থেংনবগীদমক দোনেট তৌগনি হায়খি। সনিয়ানা হিরম অসিগী মতাংদা হায়, ঐহাক্না এৱার্দ অসিদগী ফঙলকপা শেনফমশিং অদু কোভিদ–১৯ লাইচৎনা অরুবা ফিভম মায়োক্লুরিবা অসিদা তেলঙ্গনা চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদা দোনেট তৌবা পাম্লি হায়না ফোঙদোকখি।

এনেত কোন্তাভিত (ষ্টোনিয়া)না য়ুরোপকী অদুগা ফার্নদা কোন্ত্রিরাস গোমেস ( মেক্সিকো)না অমেরিকান রিজনগী ওইনা ফেদ কপ এৱার্দ ফঙখি। ফেদ কপ এৱার্দ অসি ইন্টরনেস্নেল টেন্নিস ফেদরেসন ( আই টি এফ)না থৌদাং লৌদুনা হৌখিবা ইং ২০১৯ দগী ফেদ কপগী শান্নরোইশিংবু রিকোনাইজ তৌনবগীদমক পাঙথোকপা থৌরম অমনি।

# সোইবম দেবেননা লৈখিদববা অম্বানা অৱাবা ফোঙদোকরক্লি



ইম্ফাল, মে ১১ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর বোদি বিল্ডরস এসোসিয়েসন ( অম্বা)বু শেমবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা থৌবাল মেলা গ্রাউন্দ লৌখ্রামবম লৈরক্তা লৈবা সোইবম দেবেন সিং হনা হৌখিবা মেগী তাং ১০ দা লৈখিদবদা অম্বাগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

সোইবম দেবেন সিংহ মণিপুরদা বোডি বিল্ডিং মশান্নবু চাউখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবদা নৎতনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বোডি বিল্ডরস এসোসিয়েসনগী এডভাইজরগী থৌসু পুরমখি। ওজা অসিনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর বোডি বিল্ডরস এসোসিয়েসন ( অম্বা)গী মেম্বরশিংনা ইকায় খুম্নবা উৎতুনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা এসোসিয়েসনগী ওফিসতা মিনিট ২ তু মিননা লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি লোয়ননা লৈখিদবা অসিনা হিংলিঙৈ মতমদা মণিপুর বোডি বিল্ডিংগীদমক কথোকপগা লোয়ননা তৌরমখিবা থবক থৌরমশিংবু নৌহৌননা নীংশিংখি। অমদি ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না ওল মরিপুর বোডি বিল্ডং এসোসিয়েসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# আই এস এলগী ক্লব ওড়িষা এফ সিনা সি এম রিলিফ ফন্দদা মতেং পাঙখ্রে

ভুবনেশ্বর, মে ১১ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়ান সুপর লীগ ( আই এস এল)গী ক্লব ওড়িষা এফ সিনা মালেমগী ওইনা লান্থেংনরীবা কোভিদ–১৯ লাইচৎ অসিগীদমক ওড়িষা চীফ মিনিষ্টর কোভিদ–১৯ রিলিফ ফন্দদা মতেং পাঙখ্রে। ক্লব অসিগী ফাউন্দর অমদি সি ই ও ওফ জি এম এস অনিল শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওড়িষা য়াওনা মালেমগী তোঙান তোঙনবা মফমশিংদা ওইরক্লিবা হেলঠ খ্রাইসিসকী ফিভম অসি থম্মোয় শোক্লিঙাইনি। হৌজিক ফাওবদা চীফ মিনিষ্টর নবিন পাটর্নিয়াগী লুচিঙ মখাদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ওড়িষাগী সিটিজেনশিংবু লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লুবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। অদুমকপু লেপ্পা লৈত্তনা মায় পাক্লবা লান্থেংনবা লেপ্ত্রি। ওড়িষা এফ সিনা ওড়িষাবু য়ূম ওইনা ফঙজবদা চাউথোকচবা পোকই অমসুং ক্লব অসিনা অঙম্বা থাক্তা চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদা ওড়িষাকী মীয়ামবু মতেং পাঙনবগী ৱাখলোনদা অঙম্বা খরা মতেং পাঙখ্রে হায়খি।

ওড়িষা এফ সি অসি ষ্টেট অসিদগী শরুক য়াবা আই এস এলগী ফুটবোল ক্লব অমনি। ২০১৯ দা লীগ অসিদা অহানবা ওইনা শক উৎখি। ষ্টেট অসি তোঙান তোঙানবা স্পোর্টস ইভেন্টশিংদা খুমাঙ চাউশিন্না চঙশিনবা ঙম্বা ষ্টেট অমনি। হৌখিবা আই এস এল সিজনদা ওড়িষা এফ সি ৬ শুবা মফম কনবা ঙমখি।

# হান্নগী জুভেন্তস অমদি এ সি মিলানগী ষ্ট্রাইক্কর এলিজান্দ্রো মাট্রি রিটিয়াদ তৌখ্রে



মিলান, মে ১১ (এজেন্সি)ঃ

হান্নগী জুভেন্তস, এ সি মিলান অমদি ইটালিগী ষ্ট্রাইক্কর এলিজান্দ্রো মাট্রি প্রোফিসনেল ফুটবোলদগী পোথারে হায়না লাউথোকখ্রে মশাগী চহী ৩৫ শুরবা ষ্ট্রাইক্কর অসি মমাঙ চহীগী সেপ্তেম্বর থাদা সেরি এদা নৌনা শরুক য়াবা ব্রেসিয়াদা লোনদা সাসৌলোদগী চৎখি অদুমকপু ব্রেসিয়াগী মেটচ ৮ খক শান্নবা ফঙখি মেটচশিং অদুসু সবটিট্যুদ ঙাক্তা ওইখি অমদি ২০২০গী জনুৱারী ৩১ দা ক্লব অসিনা মেচুয়েল কোন্সেলদা কন্ট্রেক্ট অদু ট্রামিনেট তৌখি অমসুং সাসৌলো ক্লবনা মহাকপু রিলিস তৌখি।

সাসৌলোনা ভেটরান ষ্ট্রাইক্কর অসিবু ব্রেসিয়াদা মশক থোকপা প্রফোমেন্স পীখিদবা অদুগী মতুংইন্না রিলিস তৌরবা মতুংদা ক্লব কয়াদগী ওফর লাক্লবসু মহাক্না পাম্বা ওফরশিং ওইদবনা হান্নগী ইটালিগী ষ্ট্রাইক্কর অসিনা ফুটবোল মশান্নদগী পোথানবগী ৱারেপ লৌখিবনি।

মাট্রিনা ইটালিগী ন্যুজ এজেন্সি অমদা হার্য়, তশেংনা ঐহাক্না মঙজরকপা মঙলান অদুদি মঙফাওন্নরে। ঐনা মশান্না অসি হৌরকপা মতমদা ঐহাক্কী শান্নবগী কেরিয়রদা মায় পাক্না চঙশিনবা ঙমগনি হায়বা থাজখিদে অদুবু সেরি এগী টাইতল ৩লক লৌবা ঙমখি।

ওইরক্লিবা মওং অসিদা ঐহাক্না ৱারৌফম থোক্তে মরমদি ঐহাক্কী শান্ননবগী লম্বী অসি লোয়শিলক্লে। ঐগী ৱারেপ অসি ব্রেসিয়দা থা ৬ লৈখিবা অদুগী মতুংদা লৌবা ৱারেপনি। ঐহাক্না শান্নবুংদা হান্নগী মতৌগুম্না শান্নবা ঙল্লক্তবদা নুংঙাইতবা পোকখি অমসুং ঐগী হৈথোই শীংথোইবা উথোকপা ঙল্লক্ত্রবদা ক্লবতা লৈরুবগী কানবা লৈতে। ঐগী পূন্সিগী ফুটবোলগী কেরিয়রদা ফুটবোল্লর ওইবগী মতমশিং অদু অদুমক নীংশিঙদুনা লৈরগনি হায়খি।

এলিজান্দ্রো মাট্রি সেরি এদা অহানবা ওইনা মশাগী চহী ১৮ শুরকপদা ২০০৩ মে থা ২৪ দা মিলানগীদমক পিয়াসেন্দজাগা শান্নখিবা মেটচতা শান্নবুংদা খোঙদাখি। মসিগী মতুংদা থার্দ টায়র প্রাতোদা সিজন ১ লোনদা চৎতুনা মেটচ ৩৫ শান্নখি। থংন্নবা সিজনদসু নুমেস জালিদা সিজন অমা লোনদা চৎতুনা মেটচ ৩৪ শান্নবদা গোল ১৩ চনখি। ২০০৬–০৭ দা সেরি বিগী রেমিনিদা লোনদা মেটচ ২৮ শান্নখি। ২০০৭–১১ ফাওবা সেরি এগী কাকর্লিরিদা মেটচ ১২৩ শন্নবদা গোল ৩৬৭ চনখি।

২০১১–১৩ ফাওবা জুভেন্তসতা পূন্না মেটচ ৬৯ শান্নখিবদা গোল ২৭ চনবত্তা নৎতনা লীগ টাইতল ৩ লক লৌখিবতা নৎতনা ২০১৪–১৫ দা কোপা ইটালিয়াগী ফাইনেল লৌবদা গোল চনবা ঙমখি। ২০১৩–১৬ ফাওবা মিলানদা শান্নদুনা তোঙান তোঙানবা লীগ অসিগী ক্লবশিংদা লোনদা চৎখি। ২০১৬ দা সাসৌলোদা কন্ট্রেক্ট ফঙদুনা অপূনবা মেটচ ৭৩ শন্নখি অদুগা বেসিয়াদা ২০১৯ সিজনদা লোনেদা চৎখি। ইটালিগীদমক ২০১১ দগী ২০১৫ ফাওবা ইন্টরনেস্নেল মেটচ ৭ শান্নখি।

# মেঞ্চেষ্টর সিটিগী ওন্নর সি এফ সিনা বেলজিয়ান সেকেন্দ দিভিজন ক্লব লোমমেল এস কে লৈখ্রে

লন্দন, মে ১১ (এজেন্সি)ঃ

প্রেমিয়র লীগ চেম্পিয়ন মেঞ্চেষ্টর সিটিগী ওন্নরনা বেলজিয়মগী সেকেন্দ দিভিজন ক্লব লোমমেল এস কেবু লৈবদা য়ান্নরে হায়না সিটি ফুটবোল ক্লব ( সি এফ জি)না নিংথৌকাবা নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

বেলজিয়ম টিম অসিনা সি এফ জিগী নের্টৱাকতা ৯ শুবা ক্লব ওইরগনি। ক্লবশিং অদুগী মনুংদা য়ু এসগী মকোক থোংবা লীগ ওইরিবা মেজর লীগ সোক্করগী ক্লব ন্যুয়োক সিটি অমসুং স্পেনকী সেকেন্দ টায়র লীগতা শরুক য়ারিবা জিরোনা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মকোক থোংবা লীগ ওইরিবা এ লীগতা শরুক য়াবা মেলবোন সিটি ক্লবসু সি এফ জিনা ওন্নর ওইরিবনি।

বি বি সিনা ফোঙবা রিপোর্টকী মতুংইন্না সি এফ জিনা লোমমেলবু মিলিয়ন পাউন্দ ১.৭৫ তা লৈবনি হায়রি।

সিটি ফুটবোল গ্রুপকী চীফ এজুকেটিব ফিরান সোরিয়ানোনা হায়, পায়খৎলিবা খোঙথাং অসি ফুটবোলবু মরুওইবা লৈবাকশিংদা নীংথিরবা মশান্না অসিবু হেন্না চাউখৎনবা অমদি খুমাঙ চাউশিন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা অশানবা মীৎয়েং থম্লগা পায়খৎপা সি এফ জিগী ইনভেসমেন্টগী শরুক অমনি।

ঐখোয়বু লোমমেলগী কলচরনা পূক্নিং চীঙশিনল্লি। লোয়ননা মফম অদুগী ত্রেন্নিং ফেসিলিটি অমসুং য়ুঠ দিভলপমেন্টগীদমক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং তমজানিঙাই ওইরি। লোয়ননা সি এফ জিনা মখোয়গী থবক থৌরমশিং অদুবু তুং ইনল্লদুনা ক্লব অসিবু লাক্কদৌরিবা তুংগী ফ্যুচরদা হেন্না চাউখৎনবা পান্দম থম্লি হায়খি। লোমমেল এস কে অসি বেলজিয়ম সেকেন্দ দিভিজনদা ৬ শুবা মফম কনবা ঙমখি।

মমাঙগী চহীদা সিটি ফুটবোল গ্রুপকী মেজর ওন্নর ওইরিবা অবু দাবিস সেক মান্সৌ বিন জয়াদ অল নয়াননা মখোয়গী ফুটবোলদা থম্লিবা নেটৱাকপু পাঙথোক চাউথোক্তুনা ইন্দিয়ান সুপর লীগী ক্লব অমা ওইরিবা মুম্বাই সিটি এফ সিগী চাদা ৬৫গী শরুক মখোয়গী সেয়র ওইনা লৌবদা য়ান্নখি।

সিটি ফুটবোল গ্রুপনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শরুক য়ারিবা লীগশিংগী ওন্নর ওইরিবা ক্লবশিং অদুদি উরুগিয়ান প্রিমিরা দিভিজনগী মোটিভিদিও সিটি, চাইনা লীগ টুগী সিচুৱান জিয়ুন্যু এফ সি অমদি জে ৱান লীগ জপানগী য়োকো মহার এফ মারিনোসনি।

লুহোং-মচল
SANSUI 32" LED (SMART K)
ORIENT IRON FREE
SAMSUNG 190 LT. REFRI.
₹29,990/-
SANSUI 7.2 KG WASHER
SANSUI 32" LED TV
GODREJ 180 LTR. REFRI
₹25,500/-
SANSUI 6.5 KG WASHER
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.
SAMSUNG COMBI
SAMSUNG 32" LED
SAMSUNG 190 LTR. REFRIG.
₹33,000/-
GODREJ / SAMSUNG 7.2 KG WASHER
SAMSUNG 43" SMART LED
SAMSUNG 190 LTR. REFRIG.
SAMSUNG 8 KG WASHER
TATA SKY FREE
₹57,500/-
SARAJEEVAN ENT, PAONA BZ, IMP.
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*